HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ক্যোরটেকর চেয়রপর্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা মালেমগী ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা মে ৫দগী জুন ৫ ফাওবা থা ১ চৃপ্পা চত্থগদবা ‘তরু-তনান্না থম্বা থা’ গী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

লৌশিং পূক্কে : চাবদা মহাও লৈ হায়দুনা চোকোলেট কা ... লামায় ২
লামায় ৪ অদুঙৈগী ‘ত্রিষ্টর’ ফিল্ম য়েংখিবদা নীংশিংলকপা খরা!
নরসিংহগী মীতম মহাক্কী পোরুফমদা খিন্নবা শেম-শারে লামায় ৬
লামায় ৮ চাদা ৫০ দা করিগী লেপকদৌরিবনো, হেক মথৌ ...
(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা ... লামায় ৯
লামায় ১০ গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা অসাম রাইফলস ...

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পুখ্রম তেজপতিনা এদিট তৌবা ইংলিস লোলদা ইবা ‘সেক্রেদ এন্দ সেক্যুলর ইন মণিপুরী রাস লীলা এন্দ অদর এসেজ’ ফোঙদোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 48, Issue No. 035 | লৈবাকপোকপা, শজিবু ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 07, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা লেপত্রি
## জে পি নদ্দা য়াওনা মীওই ৩গী মথক্তা কর্ণাটকা পুলিসনা কেস ১ লৌখৎখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাঙ্কক্কী ইলেক্সনশিং মমাঙ থাগী ১৯ অমসুং ২৬তা পাঙথোকখ্রবা মতুং হয়েং (মে ৭, ২০২৪) দা মীখল অসিগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ইলেক্সন অসিগী কেম্প্যেনদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না পীবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইরে হায়দুনা ৱাকৎলকপদগী বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা, পার্টি অসিগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি সেলগী হেদ অমিট মালভিয়া অমসুং বি জে পি কর্ণাটকা য়ুনিটগী লুচিংবা বি ৱাই বিজেন্দ্রগী মথক্তা কর্ণাটকাগী বেঙ্গলুরু সিটি পুলিসনা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।



বি জে পি প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা, আই টি সেলগী হেদ অমিট ১দি কর্ণাটকা বি জে পিগী চীফ বিজেন্দ্র

মতাংসিদা পলহৌবা য়াবদি, থা অসিগী ১দা টেলঙ্গনাদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী ইলেক্সন রেল্লি অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা রেল্লি অদুগী দেজদা পীল্লিবা অঙাং খরগা ফম্মিন্নবদা নত্তনা অঙাংশিং অদুগী মখূৎতা বি জে পিগী সিম্বোলশিং পায়হনখি হায়না টেলঙ্গনা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিরঞ্জন রেদ্দিনা ঈ সী আইদা থৌওং অদু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবনি হায়দুনা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী কম্মিসন অসিনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না হায়দরবাদ পুলিসনা অমিট শাহ য়াওনা এম এল এ, টি রাজা অমসুং বি জে পিগী সিনিয়র লিদর টি য়ামন সিংহ অমদি জি কিষন রেদ্দিনচিংবা লুচিংবশিংগী মথক্তা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমসু রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা য়াওনা পার্টি অসিগী লুচিংবা অনীগী মথক্তা বেঙ্গলুরু সিটি পুলিসনা রেজিষ্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি টেররিষ্টশিংনা ইচুম কোমদা নোংমৈ কাপ্লগা খুঞ্জা অহল ১ ফূরম্লে
## কোমদি কোম ওইনা হিংবা পামজে : কোম ত্রাইব য়ুনিয়ন ভেল্লি

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালদা হেদ ওফিস ওইরিবা কোম ত্রাইবস ওর্গনাইজেসন ভেল্লি (কে টি ও ভি) গী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেন) টি তোরঙস্পা কোমনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ৪গী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইচুম কোম খুলদা চঙলক্তুনা নোংমৈ কাপ্লগা লোয়ননা অহল অমবু তমথীনা ফূ-চৈবগী থৌওং চত্থরম্লে হায়না থৌদোক অসিবু অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌরক্লি।



কুকিশিংনা ফূরুপ মচা কোমশিংবু ফূবীবা, ওৎপীবগী থৌওং তোয়না চত্থরক্লিবা অসি কে টি ও ভিনা নুংঙাইততে হায়রি। লোয়ননা কোমদি কোম ওইনা হিংজবা পাম্বা ফূরুপনি। মসিদা করি অকায়বা লৈবগে হংলক্লি। মরম অদুনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা কোম ফূরুপ অসিবু ঙাকপী শেনবীয়ু। লোয়ননা কোমগী খুলদা নোংমৈ কাপ্লম্বা অদুগা মরাল লৈতবা অহল অমবু তমথীনা ফূরম্বশিং অথুবা মতমদা ফবীদুনা চৈরাক পীবিয়ু হায়রি।

থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা কোম ত্রাইবস ওর্গনাইজেসন ভেল্লিগী মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা কুকি টেররিষ্ট খরা লাল্লগা খুল অসিদা লৈবা মীওই অনী ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ৫৮ লোম শুরবা কে টি কোম কৌবা মীওই অসি তমথীনা ফূরকখিবনি। মখোয়না থৌওং অসি চত্থরম্বদা কোম খুলগী খুঞ্জাশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনবা য়াম্না কন্না হায়জখি অদুবু মখোয়না নমদুনা নোংমৈ রাউন্দ অমসু কাপথোক্লমখি হায়রি।

মীওই অসি শোকপদগী ইম্ফালগী লায়েংশঙ অমদা লাক্তুনা লায়েংবদসু মখোয়না অমুক হন্না মীওই অসিদা কিহন-খংহনবগী থবক চত্থরম্বগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীওই অমত্তদা হায়দোক্তনবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা ঙরাংসু খুলগী নহা অমসু মখোয়না ফূ চৈবগী থবকশিং চত্থরমখি। অসিগুম্বা কোম খুলগী খুঞ্জাশিংদা মখোয়না ঙাইহাক লৈতনা লাক্তুনা চত্থরিবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মরী লৈনরিবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদসু অইবা রিপোর্ট পীদুনা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

খুল অসিদা খূৎশু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স য়াওশিনবীয়ু : ডা. আর কে খোগেন্দ্রজিৎ

### নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখিবা শায়োকশঙশিংগী এসেসমেন্ট লৌবা হৌরে

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** শা-ষণ য়োল্লিবা লৌমীশিংনা নোংজু নুংশা অসিনা মরম ওইরগা মখোয়না য়োল্লিবা শা-ষণশিংদা লায়না কয়ানা নাহল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙনা হৌদোক্লিবা লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স য়াওশিনবীয়ু হায়না লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর ডা. আর কে খোগেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সঞ্জেনথোংদা লৈবা লোয়শঙ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা দিরেক্টরনা হায়, ঙরাং লেন য়াওনা চুখিবা নোং অমসুং শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা দিপার্টমেন্টকী ফার্ম অমদি লন্নাই শায়োকশঙশিং অমাঙ অতা থোকপগী পাউ ফংলে। মরম অসিনা লোয়শঙ অসিগী ওইনদি খুম্বোংদা লৈবা সেন্টর পোলত্রি ফার্মদা য়াম্না চাউনা অকায় অতোয় থোকখি। ফার্ম অসিদা পোলত্রি সেট মঙা থমদুনা য়েন লিশীং ১ রোম য়োকপগা লোয়ননা য়েরূম পুথোকপা হৌরবনি। অদুবু ঙরাংগী থৌদোক অসিনা সেট অহুমদা চাউনা অমাঙ অতা থোকখ্রে। মসিগীদমক লোয়শঙ অসিগী সেক্রেটরিগা তানরগা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে হায়খি।

দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, ফার্মদা য়োকপা য়েনশিং শাফগদবা মফমদা হোংজিনবগী থবকসু পায়খৎলে। লাইবক ফবদগী নিংথৌখোংদা লৈবা পোলত্রি ফার্ম অমসুং লম্ফেলদা লৈবা দক ব্রিদিং ফার্মগী ওইনদি অতেক অকায় য়াওখিদে। প্রাইভেট ফার্ম তৌবশিংগীসু রিপোর্ট অমা পীখৎনবা লোয়শঙ অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর অমদি এদিসনেল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখিবা য়ূম লিশীং ১৫ হেনবদা তেংবাঙনবা লুপা ক্রোর ৬ হেন্না দি সীশিংদা থাদোকখ্রে

### য়ূম কুপ্নবা জিজ্ঞগী মমল হেনগৎতনবা খঙহনখ্রে : চীফ মিনিষ্টর



**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ঙরাং মায়োক্লখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ূম লিশীং ১৫ হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী মীওই কয়া লৈফম লৈতদুনা মখোয়গীদমক রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্লে অমসুং খুদক্কী ওইনা তেংবাঙনবা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দগী শেনফমশিং দি সীশিংদা থাদোকপা হৌখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, লমদমসিদা হাৎনা শুনবগী অৱা অনা মরক্তা ঙরাং অকনবা লেন তারকপদগী য়ূম-কৈ, মহৈ-মরোং অমদি পোৎ চৈ কয়া অমাঙ অতা থোকখিবা অসিমক ইপা ইপুগী পাউরৌদা লূ কোকপদা লেন তাবা হায়বদুনি। মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়রদুনা লৈঙাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লেন ১সুং অকনবা নুংশিৎনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা লৈঙাক্না পীগদবা তেংবাঙ মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লু : কোংগ্রেস

### এম এল এশিংগী লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগীসু তেংবাঙ পীবা য়াহনবীয়ু



**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙরাং লেন য়াওনা চুখিবা নোং অমসুং শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা ইমুংশিংদা লৈঙাক্না পীগদবা তেংবাঙশিং অদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, এম এল এনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা পাউমীশিংদা মখা তানা হায়, হাৎনা শুনবনা মরম ওইরগা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকচিল্লক্লিঙৈদা লেন য়াওনা নোং চুরকপা অমসুং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপনা য়ূম-কৈ, মহৈ-মরোং কয়া অমাঙ অতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

চূড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী এম বি বি এস ফর্ষ্ট বেটচকী পেরেন্টস গর্জিয়ান এসোসিএসনগী কনভিনরনা গভর্ণর উনদুনা মেদিকেল কোলেজ অসিগী সেকেন্দ য়র মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাকৎখ্রে

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Len amsung akanba nungshit mayoknariba meeoisinggi manakta chattuna leingakna report loukhatpana achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chinglon mapalna koisinba Manipurda akanba nonglei nungshit mayoknaraklibasi mahousagi phibam kairakpadagi oiroidra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- ঈশিং চাওবা, ঈকং থোকপা, নুংশিৎ শিৎপা...।



- লাই অসিসু ঙাওদে হায়বা য়ারোই। মানা লোইনা শিল্লিবনি।

## প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপতগী এ এ পিনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬ ফংখি হায়বা কমপ্লেন্টদগী অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা এন আই এনা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে



**ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী):** দেল্লী লিকর স্কামগী মতাংদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী আম আদমি পার্টি (এ এ পি) না প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপতগী য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬ ফংখি হায়বগী মতাংদা ৱাকৎ অমা দেল্লীগী লেফটিনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনানা ফংলে হায়রদুনা মসিগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা থিজিন্নবা লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা এন আই এদা রেকমেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা য়াল্লবা শেনফম অদু প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপ অদুনা মখোয়গী ফাজিন্দুনা থল্লিবা দেবেন্দ্র পাল ভুল্লরবু থাদোক্লবা অমসুং প্রো-খালিষ্টানিগী সেন্টিমেন্টশিং শৌগৎনবা পীরকখিবনি হায়নসু চার্জ তৌরি। অদুগা এ এ পিদা শেনফম অসি পীরকখিবা প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপ অদুসু লৈবাক অসিগী লোনা অথিংবা থল্লিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মীওই অমগী মোবাইল ফোনদা ওসমা বিন লাদেনগী ফোটো য়াওরে হায়দুনা মহাকপু লালহৌবনি হায়বা য়ারোই



### এন আই এনা লালহৌবগী চার্জদা কুমজা ২০২১দগী ফারগা জেলদা থম্লকখিবা মীওই অমা দেল্লী হায় কোর্টনা বেল পীখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী মপাঙ্গল কল্লবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীশিংগী মনুংদা মাঙজিল থারিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না হৌখিবা কুমজা ২০২১গী ওগষ্টতা অম্মর অবদুল রহিমান কৌবা মীওই অমবু মহাক্কী মোবাইল ফোনদা ওসমা বিন লাদেন অমসুং আই এস আই এসকী ফিরালশিংগী ফোটো য়াওনা ‘ইনক্রিমিনেটিং মেটেরিএল’ শিং য়াওরম্মী হায়বগী চার্জদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকী তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফাদুনা জেলদা থম্লকখিবা মীওই অমা ঙসি দেল্লী হায় কোর্টনা বেল পীখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমগী মোবাইল ফোনদা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা নৎত্রগা টেররিষ্ট অমগী অমসুং খূৎপু অমগী ফোটোনচিংবা য়াওরম্মী হায়বনা মীওই অদুবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুগী মেম্বর অমনি হায়না লৌবা য়ারোই হায়খ্রে।

দেল্লী হায় কোর্টকী লেনমার্ক জজমেন্ট অসি ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস সুরেসকুমার কাইট অমসুং জষ্টিস মনোজ জ্যেন অনীগী বেঞ্চনা পীখিবনি।

জেলদা থম্লকখিবা অম্মর অবদুল রহিমানগী মথক্তা এন আই এনা তৌরকখিবা চার্জশিংনা মহাক্কী মোবাইল ফোনদা টেররিষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

সী আই এস সী ঈনা লৌবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

## মার্ক চাদা ৯৯ ফংখিবী অমুলিয়া ধাৱননা জর্নেলিষ্ট ওইনীংই ফোঙদোকখ্রে



**ন্যু দেল্লী, মে ০৬ (এজেন্সী) :** কাউন্সিল ফোর দি ইন্দিয়ন স্কুল সর্টিফিকেট এগজামিনেসন (সী আই এস সী ঈ) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখিবদা ক্লাস ত্বেলভকী রিজল্টদা খ্বাইদগী মার্ক ৱাংনা ফংখিবা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লুধিয়ানাদগী মশাগী চহী ১৮ শুরবী অমুলিয়া ধাৱননা পাউচে অমদা ফোঙদোকখিবদা মহাক জর্নেলিষ্ট অমা ওইনীংই অমসুং ইবনা মহাক্কী করিয়র ওইনীংই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এগজামিনেসন অসিগী রিজল্টদা মহাক্না ইংলিসতা মার্ক ৯৮, ইকনমিক্সতা ৯৪, পোলিটিকেল সাইন্সতা ৯৯, সাইকোলোজিদা ১০০ অমসুং হিষ্ট্রিদা ৯৭ ফংদুনা অপূনবা মার্ককী চাদা ৯৯ ফংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা কুকিশিংদা করিসু হায়খিদবা সিফাইশিংনা নখোয়না থোকপা চৎখ্রো হায়রকখি

### হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা

**(ঙরাংগী মখা...)**

চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটকী জাইওন ভেঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএসনদা চঙজফম লৌরক্লিবী লাইশ্রম রঞ্জিতানা মখা তানা হায়, চূড়াচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটরিএটতা লৈরবা মতুংদা ঐখোয়বু লৌথোক্তুনা কনবীরকখিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অদুনা নখোয় মফমদুদগী লৌথোকপীদুনা কনবীরবনিনা নখোয়না মসিদগী অহেনবা শাফগদবা মফম য়েংলগা থৱায় হিংনবা চৎচখ্রো, মখা তাবা থৌদাং ঐখোয়না লৌবা ঙল্লরোই হায়রকখিবা তাঞ্জা অদুদা থম্মোয় কায়খিবগা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূন্নমক কুকিশিংগী খূৎতা অদুমক থৱায় থারনি হায়বসি চপ মান্নবা খনখিবা ৱাখলনি।

খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা হায়রগদি মীতৈ ঐখোয়গী ওইনদি নুপীনা মিৎতগী পি তাদুনা কপ্পা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্লি। অদুবু ইয়ূম ইকৈ মৈনা চাকহৌরবা অদুগা ইরমদমসিদা মরক ময়াদগী চঙলকপা মীশিংনা ঐখোয়বু তান্থোকপীরকপনি খল্লুবদা ফনা য়াম্না ইপাঙ্গল কল্লবসু মখোয়না নোংমৈ পায়বনিনা খা চিক্তুনা খাঙলগা লৈখিবনি। ঐখোয় নুপীশিংদা নত্তনা লাঞ্জেল্লকখিবা মীতৈ নুপাশিংগী মমিৎতগী মপি তানা কপ্পা উখিবা অদুদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা অমমুক লৈররোই হায়রকখি।

চৈরক্তুদা অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চাকসু চরা অনী শুনা চাবা ফংলক্ত্রিঙৈদা সিফাইশিংনা চেঙগা হৱাইগা পূন্না থোংজিল্লগা ঙৌরোক ঙৌনা চাননবা য়েল্লকখি অদুবু মদু ফাওবা হাপ্পনবা পুখম লৈতবদগী তারম-তারম্বা চেরংনচিংবা খুল্লগা হাপ্তুনা চাখি। ফীভম অদুদা নুমিৎ ৭/৮নি লৈশিল্লকপদগীদি ঐখোয়বু কনামত্তনা লৌথোকপীবা লাক্লরোই অমসুং মফম অসিদা ঐখোয় পূন্নমক্কী পূন্সি লোইরগনি হায়না খনখি। মদুগী মতুং নুমিৎ নীনি-হুম্নি লৈরগা মৈরা পায়বীশিং খরা চৎতুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর উনগে হায়রুই, অদুসু অহানবদা য়ারকখিদে। কোন্নথংদা কপ্পা-লাউবা তৌদুনা তোয়না হায়বদগী দি সী উনরগা ঐখোয়বু অমুক্তং মীতৈনা নম্না তাবা মফমদা পুথোক্লবা হায়জখি। অদুগী মতুং মে ৮দা সিফাইগী গাড়ীদা ঐখোয়বু খুমন লম্পাক ফাওবা থিল্লগনি হায়বগী পাউ তাবদা ময়াম অদু অদুক্কী মতিক হরাওনখি।

য়ূম-কৈ মৈনা তুম্না থাদোকখিবগী থৌদোকশিং ফাওবা হরাওমনবনা ঙাইহাক্কী ওইনা পুমকাউ কাউখি। সিফাইগী গাড়ী তোংদুনা চূড়াচান্দপুরদগী থোরকপদা কুকিশিংনা লম্বীদা উতুপ-ৱাতুপ, নোংমৈ, নাওরিনচিংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## গাড়ীনা থোল্লম্বদগী লৈখিদ্রবা অহল মশক খঙলে, চেন্নবা গাড়ী ফানবা হোৎনরি : পুলিস

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা নম্বোল পি এসকী মনুং চনবা ওইনাম কৈথেলগী মনাক্তা সাইকল থৌদুনা লাকপা অহল অমা মশক খঙহৌদ্রবা গাড়ী অমনা থোল্লম্বদগী শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবা অদুগী মমিং-মথা খঙবা ঙল্লে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী মতুংইন্না চেন্নরিবা গাড়ী অদু ফানবা হোৎনরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং পোৎশংবম ইবোতোম্বী (৮০) কৌই, খাবম বমদিয়রদগীনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং ঙসি রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা পুলিসনা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা মহাকপু থোল্লম্লিবা গাড়ী অদু অথুবা মতমদা ফাননবা হোৎনরি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫